# য়েমেনগী ৱাথোক খন্ননবা য়ু এনগী স্পেসল এনভোই গ্রিফিথস ইরানদা থুংখ্রে



দুবাই, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী) :
য়েমেনগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা অখন্ননা হাপ্পা য়ু এন এনভোই অহানবা ওইনা ক্রাইসিস অদুগী খন্ননবা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ইরানদা থুংলরে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইরানিয়ন ষ্টেট টিভিগী রিপোর্টনা হায়রি।

সাউদি অরবিয়ানা লুচিংদুনা য়েমেনদা চত্থরিবা ওপরেসনদা মতেং পাংবা লেপ্লগনি হায়না ৱাশিংটননা লাওথোকখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি। ইরানগা মীচঙ চুংশিন্নবা হৌথি রেবেলশিংগা লান্থেংনরিবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং শৌগৎলদুনা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন অমনা কুমজা ২০১৫ দা য়েমেনগী সিভিল ৱার অদুদা য়াওশিনখি। সিরিয়াদগীনা ইরাক অমসুং য়েমেননচিংবা লৈবাকশিংদা ইথিল পীনবা হোৎনবদা সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরাননা অমনা অমদগী হেন্নবা হোৎনদুনা লাকখি।

য়ু এনগী স্পেসল এনভোই মার্টিন গ্রিফিথস নুমিৎ নীনিগী খোঙচত্তা টেহরানদা থুংলরে। খোঙচৎ অসিদা মহাক্না ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জবাদ জরিফ অমসুং ইরানগী অতৈ ওফিসলশিংগা উনগনি হায়না ষ্টেট টিভিনা ফোঙদোকখি।

স্পেসল এনভোই গ্রিফিথসকী ওফিসনা ফোঙদোকখিবদা, খোঙচৎ অদু কনফ্লিক্ট অদুবু ৱারী শানদুনা সোল্যুসন অমা পুরক্নবা মহাক্না পায়খৎলক্লিবা দিপ্লোমেটিক থৌরাংশিংগী মনুংদা অমনি। মহাক্না খুদক্তা মিৎয়েং চঙগদৌরিবা খ্বাইদগী মরু ওইবদি খুৎ থোক্করিবা পার্টিশিংগী মরক্তা সিজফয়ার পুরকহনবা, অৱা-অনা নংলবশিংবু থুনা মতেং পাংনবগী থৌরাংশিং লৌখৎপা অমসুং পোলিটিকেল প্রোসেস হিঙ্গৎহনবনি।

গ্রিফিটসকী স্পোক্সপার্সন ইসমিনি পালাগী মতুং ইন্না, খোঙচৎ অদু মতম খরগী মমাঙদগী থৌরাং তৌরকপনি। লাল অদুবু লোইশিনহন্নবা গ্রিফিথসনা হোৎনরিবশিংবু অহেনবা দিপ্লোমেটিক, রিজনেল অমসুং ইন্টরনেস্নেল সপোর্ট ফঙনবা হোৎনরকপগা ইরোয়ননা খোঙচৎ অদু পাঙথোকপনি।

ইরানিয়ন ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি ইর্নানা হায়, খোঙচৎ অদুদা গ্রিফিথসনা য়েমেনগী মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী লম্বীশিং পুথোক্কবা ইরানগী ওফিসলশিংগা তানগনি। মমাংগী অশোয়বশিং চুমথোক্লবগী মায়কৈদা থাংলকপা খোঙথাং অমা ওইনা সাউদি অরবিয়ানা লুচিংদুনা য়েমেনদা চত্থরিবা মিলিটরি কেম্পেইনদা ৱাশিংটননা শৌগৎপা লেপ্লবা জো বাইদেননা শগোলশেন নুমিত্তা লৌখিবা ৱারেপ ইরাননা থাংজ নুমিত্তা তরাম্না ওকখিবনি।

মমাংগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না টর্ম লোয়শিল্লকপদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা অমা ককথৎলদুনা হৌথি মুভমেন্টদা পীরম্বা টেররিষ্টকী মিঙ্গৌ রিভোক তৌরগনি হায়না ৱাশিংটননা ইরাই নুমিত্তা লাওথোকখি। লৈবাক অদুগী হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস য়েংদুনা খোঙথাং অদু লৌখৎপনি হায়না এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফোঙদোকখি।

# ইন্টরনেট থিংলবসু সিটি কয়াদা মিলিটরি কুগী মায়োক্তা মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



য়াঙ্গোন, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী) :
ম্যান্মারগী মিলিটরি ওথোরিটিশিংনা ঈরাং শাগৎপা অমদি মীয়াম পুনবা থিংনবা পাক্তক্না ইন্টরনেট থিংজিল্লবসু মীওই লীশিং কয়ানা মখা তানা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী সিটিশিংগী লম্বীশিংদা মিলিটরি কুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

ইলেক্তেদ লিদর ওং সান সু চি থাদোক্নবা দিমান্দ তৌরিবা প্রোটেষ্টশিং অদু লৈবাক অসিদা দেমোক্রেটিক রিফোর্মশিং পুরকপদা মতেং পাংখিবা কুমজা ২০০৭ কী সেফ্রোন রেভোল্যুসন মতুংদা খ্বাইদগী চাওবা ওইরি। পাক্তক্না প্রোটেষ্ট চত্থরকপা নীনি চনবা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি য়াঙ্গোনদা মীয়াম্না সুচিগী নেস্নেল লিগ ফোর দিমোক্রেসিগী মচুগা মান্ননা অঙাংবা মচুগী ফুরিৎ লিৎনখি অমসুং অঙাংবা বেলুন ময়াম উৎখি। মখোয়না অঙাংবা মচুগী ফিরালশিংসু পায়খি।

প্রোটেষ্টরশিং অদুনা 'ঐখোয় মিলিটরি দিক্তেটর্সিপ পামদে। ঐখোয় দিমোক্রেসি পাম্মী' হায়না লাওখি। জুন্টানা পুং ২৪ চুপ্পা থল্লকখিবা ইন্টরনেটকী অথিংবা অদু নোংমাইজিংগী নুংথিলদা লৌথোকখি। হৌখিবা নিংথৌকাবদা কু চত্থখিবদগী ইন্টরনেট থিংলকখিবদুনা মীয়ামগী অশাওবা হেনগৎহনখি।

য়াঙ্গোনগী মচিখুদিংমক্তগী লাকপা য়াম্লবা মীয়ামশিং টাউনসিপশিংদা পুনখি অমসুং মখোয়না সিটি অদুগী ময়াই চবুক্তা লৈরিবা সুলে পেগোদা তম্না চঙশিনখি। বুধিষ্ট লাইনিংশিংনা লুচিংদুনা কুমজা ২০০৭ তা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টশিং অমসুং কুমজা ১৯৮৮ দা পাঙথোকখিবা অতৈ প্রোটেষ্ট কয়া পেগোদা অসিদা পুনখিবা ঙাক্তনি। মীয়াম্না খুৎশা অহুম শীজিন্নদুনা সেল্যুট পীবসি মিলিটরি কুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবগী সিম্বোল অমা ওইরক্লি। গাড়ী থৌরিবশিংনা হোর্ন খোঙনখি অমসুং পেসেঞ্জরশিংনা নোবেল পিছ প্রাইজ ফঙখ্রবী সু চিগী ফোটোশিং থাঙ্গত্তুনা উৎখি।

ঐখোয় মথংগী জেনেরেসন অসি দিক্তেটর্সিপ লৈহনবা পামদে। ঐখোয়না অওনবা পুরকপগী চাওরবা থবক অসি মপুং ফাহন্দুনা পুৱারী শেমগনি অমসুং ঐখোয় পান্দম ফঙদ্রিফাওবা থেংনগনি হায়না মশাগী চহী ২১ শুরবা পোটেষ্টর থো জিননা হায়খি। য়াঙ্গোনদগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৩৫০ হেন্না লাপ্লিবা কেপিটেল নেপিটোদা জুন্টানা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

# মাঙখিবা চীংকারোইশিং পাকিষ্টান অর্মীগী হেলিকোপ্টরশিংনা থিবা ফঙদ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী) :
মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা চীং কে ২ গী মতোন লোম্নবা হোৎনবদা থিবা খঙখিদ্রবা চীংকারোয় অহুম পাকিষ্টান অর্মীগী হেলিকোপ্টরশিংনা থিরকখিবদু হৌজিক ফাওবা ফঙবা ঙমদ্রি হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পাকিষ্টানগী চীংকারোয় অলি সাদপারা, আইসলেন্দগী চীংকারোয় জোন স্নোরি অমসুং চিলিদগী এম পি মোহর শগোলশেন অমসুং ইরাই নুমিৎকী লোন্নবা অহিং নোংয়াইদা চীং কাবা হৌখিবদগী ঈ পাউ ফাওনরকখিদবনি। পুং ৩০ রোম পাউ ফাওনরকখিদ্রবা চীংকারোয় অহুম অদু থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তগী পাকিষ্টান অর্মীগী হেলিকোপ্টর অনীনা থিরকখিবনি। এস এস টি ৱিন্টর এক্সপিদিসন টিমগী লিদর সাং দাৱা সর্পানা ফোঙদোকখিবদা হেলিকোপ্টরশিং অদু মিটর ৭০০০ ৱাংবা মফম ফাওবা থিখি অমসুং স্কার্দুদা অমুক হল্লকখি। লায়বক থিবদি মখোয়না চীংকারোয় অমত্তা ফঙবা ঙমখিদে।

চীংকারোয়শিং মাঙখিবদুদা প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খান অমসুং চীফ ওফ অর্মী ষ্টাফ জেনরেল কামার জবেদ বাজৱানা নুংনাংলি অমসুং ওইরক্লিবা ফীভম খুদিংমক মশা মশানা য়েংশিল্লি হায়না ওভরসিজ পাকিষ্টানিশিংগা মরী লৈনবা প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পেসল এসিষ্টেন্ট জুলফিকর বুখারিনা ফোঙদোকখি।

কে ২ অসি পাকিষ্টানগী অৱাং থংবা গিলগিটবাল্টিষ্টান রিজন অমসুং চাইনাগী সিঞ্জিয়াৎ প্রোভিন্সকী টাক্সকোর্গান টাজিক ওতোনোমস কাউন্টিগী দাফদর টাউন্সিপকী মরক্তা লৈবনি। মসি কারাকোরাম চীংশাংগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংনি।

# ন্যুক্লিয়র কম্মিটমেন্টশিংদা হল্লক্নবা য়ু এসনা অথিংবশিং লৌথোক্কদবনি



দুবাই, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী) :
ৱাশিংটননা টেহরানগী ন্যুক্লিয়র খোঙথাংশিং হন্দোকহনবা পাম্লবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী মায়োক্তা থম্লিবা শেল-থুমগী অথিংবা খুদিংমক লৌথোক্কদবনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়োটোলাহ অলি খামেনৈনা হায়খ্রে।

কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিলগী মখাদা ইরাননা ইনফম থোকপা খুদিংমক ইনখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপিয়ন লৈবাক অহুম্নদি ইনফম থোকপশিং ইনখিদে। মখোয়না ইরানবু ন্যুক্লিয়র কম্মিটমেন্টশিংদা অমুক হল্লকহনবা পাম্লবদি অহানবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অথিংবা পুম্নমক লৌথোক্কদবনি হায়না খামেনৈনা ত্বিটরদা ইখি। অথিংবা খুদিংমক লৌথোক্লে হায়বসি নিংথৌনা ভেরিফাইদ তৌরবা মতুংদা ঐখোয়না ঙাকফম থোকপশিং মপুং ফানা অমুক ঙাক্কনি হায়না মহাক্না মখা তানা ইখি।

হৌখিবা থাদা ওফিস পায়খিবা জো বাইদেননা করিগুম্বা ইরাননা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র পেক্টকী ৱাফমশিং অমুক হন্না চেকশিন্না ঙাক্লকপা তারবদি ৱাশিংটননসু তৌফম থোকপশিং তৌদুনা ইরানগী মিসাইল প্রোগ্রাম অমদি রিজনেল এক্তিভিটিশিংদা পনখৈ পীগদবা মখা তানা এগ্রিমেন্ট কয়া পুরকপদা য়াগনি হায়খিবনি।

মমাংগী য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা কুমজা ২০১৮ দা ইরান ন্যুক্লিয়র দিলদগী হন্দোকপগা লোয়ননা টেহরানগী মায়োক্তা অথিংবশিং অমুক হন্না থমখিবনি। ইরানদা অঙম্বা প্রেসর পীনবা হোৎনবা ত্রম্পকী পোলিসিগী পাউখুম ওইনা ইরাননা ন্যুক্লিয়র দিল অদুদা য়ানরিবা ইনফম থোকপা ৱাফমশিং মথং মথং খোঙ্গাওনখি। থৌওং অদু চত্থবগা লোয়ননা করিগুম্বা য়ু এসনা অথিংবশিং লৌথোকপা তারবদি দিল অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিং অমুক হন্না ঙাক্কনি হায়নসু টেহরাননা থমখি।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জবাদ জারিফনসু করিগুম্বা জুনদা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী মীখলদা হার্দলাইন লিদর অমনা মায় পাক্তুনা প্রসিদেন্ট ওইরক্লবদি দিল অদু হেন্না লুশিনহনগনি হায়রদুনা ন্যুক্লিয়র একোর্দ অদুদা থুনা হল্লক্নবা য়ু এসতা তকশিনখ্রে। ফেব্রুৱারী ২১ ফাওবগী মনুংদা য়ু এসনা অথিংবশিং লৌথোক্তবা তারবদি পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌবা লেজিসলেসন অমনা গভর্ণমেন্টবু ন্যুক্লিয়রগী ফিরেপ হেন্না কনশিনহনগনি হায়না জরিফনা ফোঙদোকখি।

# য়ু এসতা উন মপৈনা ফুমজিনবদগী মীওই ৪ শিরে

ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী) :
য়ু এসকী য়ুটাহ ষ্টেটতা লৈবা মিলক্রিক কেনয়নদা উন মপৈ অমনা ফুমজিনখিবদগী মীওই মরি শিরে অমসুং অতৈ মরিনা অশোক অপন নংলে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুটাহ এভলেঞ্চ সেন্তর (য়ু এ সী) না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, উন মপৈ চেন্থরকপদু অহানবা ওইনা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১.৪০ রোম তাবদা খঙনরকখি মদু ফুট ৯,৩০০ ৱাংবা মফমদগী হৌরকখিবনি। উন মপৈনা ফুমজিনখিবা চহী ২৩ দগী ৩৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই নিপানমক ভিকনশিং শীজিন্নখি অমসুং হিংহৌবা মীওইশিংনা ভিক্টিমশিং অদু উন মনুংদগী হন্দোকখি।

হিংহৌবা মীওই অহুম লায়কন্নবগীদমক মথক্তগী পুথরকখি। শাথিরবা উন মপৈ অদুনা অতৈ মীওইশিং ফুমজিনদে হায়বা কনফার্ম তৌনবগীদমক্তা এরিয়া অদুদা মখা তানা থি হুম্বা চত্থখি। উন মপৈ চেন্থরকপা য়াই হায়না থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা ৱার্নিং তৌখিবা য়ু এ সীনা থৌদোক অদুগী মতুংদা ত্বিটরগী খুত্থাংদা মীয়ামদা এক্সিদেন্ট মফম অদুদা চংদনবা খঙহনখি।

য়ুটাহগী গভর্ণর স্পেন্সর কোক্সনা ষ্টেট অদুগী মীয়ামদা অৱাংবা মফমদগী উন মপৈশিং চেন্থরকপা য়াবগী অকিবা লৈরিবদু য়েংদুনা য়ারিমখৈ চেকশিন্নবা আপীল তৌখি। মহাক্না ভিক্টিমশিংগী ইমুংশিংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়রদুনা মী কনবা অমসুং থিবা হুম্বদা শরুক য়ারিবা অহানবা রেসপোন্দরশিং অমসুং অতৈদা তৌবিমল খঙবা উৎখি। মমাংগী চয়োলদা কোলোরেদো ষ্টেটতা উন মপৈ চেন্থরকখিবগী থৌদোক্তা মীওই ৩ শিখ্রবনি।

# বাংলাদেশ শিন থুংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন হৌখ্রে



ধাকা, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী) :
অহানবা তাঙ্কক্তা মীওই মিল্লিয়ন ৩.৫ ভেক্সিন কাপথোকপগী টার্গেট অমগা লোয়ননা বাংলাদেশকী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক শিনথুংনা হৌখ্রে।

বাংলাদেশনা জন্যুৱারী ২১ দা ইন্দিয়াগী খুদোল ওইনা সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া (এস আই আই) দগী ওক্সফোর্দ অষ্ট্রাজেনেকাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফঙখিবনি। হেল্থ দিরেক্তরেট ওফ বাংলাদেশতগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ভেক্সিনেসন প্রাইভ হৌদোকখ্রবা মতুংদা হেল্থ মিনিষ্টর জহিদ মালেকতা অহানবা কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন দোজ কাপখি। মহাক অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা কেপিটেল ধাকাগী শৈইখ রুসেল গ্যাষ্ট্রোলিভর ইন্সটিট্যুট এন্দ হোস্পিটালদা ভেক্সিন কাপখি।

ভেক্সিনেসন কেম্পেইন হৌদোক্লবা মতুংদা দেপ্যুটি মিনিষ্টর মোহিবুল হসন চৌধুরি নাওদেলনা চাওগোং দিভেজনদা ভেক্সিন কাপ্পা অহুমসুবা মীশক ওইখি। মহাক চাওগোং মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল (সী এম সী ঐচ) তা ভেক্সিন কাপখি।

হোম মিনিষ্টর অসাপুজামান খান কমল, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর অব্দুর রাজাক, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি মিনিষ্টর য়িফেস ওসমান অমসুং পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন মিনিষ্টর ফারহাদ হোমাইনসু ভেক্সিন কাপখি।

হোস্পিটাল সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মিনিষ্টর লোমেকর অমসুং ফিজিস্যানশিং য়াওনা মীওই ১৬২ হোস্পিটাল অদুগী বুথ মঙাদা ভেক্সিন কাপখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা ভেক্সিন কাপখিবশিংগী মনুংদা সী এম সী ঐচকী দিরেক্টর বৃগেদিয়র জেনরেল এস এম হুমায়ুন কাবির, চাতোগ্রাম সিটি কোর্পোরেসনগী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডোক্টর সেলিম অখটর, দিভিজনেল হেল্থ দিরেক্টর ডোক্টর হসন সহরিয়র কবির, সিভিল সর্জন ডোক্টর শৈইখ ফাজল রারি, চীত্তাগোং ফিল্ড হোস্পিটালগী সী ঈ ও বিদ্যুট বারুৱা অমসুং চাতোগ্রাম রেঞ্জ দি আই জি অনৱার হোসাইন য়াওখি। মখোয় ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা ওবজ আর্ভেসন য়ুনিটতা থমখি।

ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদুগী মখাদা হোস্পিটাল ১,০০৫ দা টিম ২,৪০০ না মথৌ তৌরি। পুন্না টিম ২০৪ না কেপিটেলগী হোস্পিটাল ৫০ দা ভেক্সিনেসন থবক পাঙথোক্লি অমসুং ধাকাগী ৱাংমদা পুন্না টিম ২,১৯৬ না হোস্পিটাল ৯৫৫ দা ভেক্সিনেসন পাঙথোক্লি।

# টালিবাননা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবগী ৱাশক ঙাক্ত্রে, ৱারী শান্নবা তোকখ্রে: অফগান এন এস এ



কাবুল, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টানদা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবা হোৎনগনি হায়খিবা টালিবাননা ৱাশক ঙাক্ত্রে অমসুং মিলিটেন্ট গ্রুপ অসি দোহাগী নিগোসিএসন অসিদগী তোকখ্রে হায়বা য়াই হায়না অফঘানিষ্টানগী নেস্নেল সিক্যুরিটি এদভাইজর (এন এস এ) হামদুলাহ মোহিবনা ক্লেম তৌখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্লি।

হৌজিক টালিবাননা পাম্লিবসি য়াম্না ময়েক শেংলে টালিবাননা মরা তপ্পা ফীভম লাকহনবা পামদে, মখোয়গী লিদরশিংনা মখোয়দা পিছ প্রোসেস চত্থনবা হায়বা লৈতে। মখোয়না অফঘানিষ্টানদা তুংকোংনা কাংখোং চাইবগী ফীভম লৈহনবা পাম্মী হায়বসি শেংলবা ৱাফমনি হায়না থাংজ নুমিত্তা খামা প্রেসনা মোহিবকী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

মোহিবনা হায়, টালিবাননা লালগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অদুদা ভাইওলেন্স হন্থহন্নবা শেম শাবা তৌদে। টালিবাননা অফগানিষ্টান থুগাইবা পাম্মী। মখোয়না পৱার মপুং ফানা পায়নিংবগী অপাম্বা লৈ। অতৈ পামদে। টালিবাননা অফগানিষ্টানদা মরা তপ্পা ফীভম লাকহনবা পামদ্রবদি ঐখোয়না কা হেনবা থৌওংশিংদগী মীয়াম্বু কনগনি। প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিনা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবা অচেৎপা ফীরেপ লৌরি।

তৌইগুম্বসুং টালিবাননা পিছ প্রোসেসতা অচৌবা খুরৌ ওইদুনা লৈরি। ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু লৈবাক অসিগী সিষ্টেম ফেল ওইহল্লোই। মখোয়গী ফত্তবা পান্দমশিং ঐখোয়না মতম পুম্পদা থিংগনি হায়না এন এস এ মোহিবনা ফোঙদোকখি। প্রেস কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ইন্তরিয়র মিনিষ্টর মাসুদ অন্দারাবিনসু দোহাদা টালিবানগী লিদরশিং লৈ অমসুং অফঘানিষ্টানদা হৌজিক লৈরিবা লালগী ফীভম মখোয়না খঙদে হায়না ক্লেম তৌখি।

# রোহিঙ্গা ৩০ হেন্না ফাখ্রে

কুলালম্পুর, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী) :
ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা রেফ্যুজি কেম্প অমদগী চেন্থোরক্তুনা হৌখিবা থাদা হি তোংলগা মালেসিয়াদা থুংলখিবা রোহিঙ্গা কাঙলুপকী মীওই ৩০ হেন্না ফাখি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা মালেসিয়ন পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা, অয়াম্বনা নুপীশিং ওইবা রোহিঙ্গাশিং অদু ইন্দোনেসিয়াগী টাঞ্জুং বালাইদগী হি তোংদুনা লাক্লগা জান্যুৱারী ৬ তা মালেসিয়াগী নোংচুপ থংবা সমুদ্র খোঙবানগী মেলাঙ্গোরদা থুংখি।

চহী কয়াগী মমাংদগী রেহিঙ্গা মুস্লিমমশিং মখোয়বু তাথি তাওইনা তৌবা ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশতা লৈবা রেফ্যুজি কেম্পশিংদগী হি তোংদুনা চেন্নদুনা লাক্লি। রেফ্যুজি খরদি মী স্নগ্লরশিংগা লোয়ননা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা চঙখি। মালেসিয়াদা রেফ্যুজিশিং শকখঙদ্রবসু মুস্লিমশিংনা মশীং য়াম্বা লৈবাক অসি হেন্না ফবা পুন্সি মহিংগী মফম থিরিবা রেহিঙ্গাশিংগী ওইনদি থোইদোক হেন্দোক্না পাম্নবা পন্থুংফম অমা ওইরি। পুলিসকী মতুং ইন্না, রোহিঙ্গা নুপী ১৭, নুপা ৭, অঙাং ৭ অমদি ইন্দোনেসিয়ন নুপী ৫ হি তোংদুনা থুংলখি।

# অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন শানবা চাইনাদগী লৌবা মরু ওইবা মচলশিং ব্রাজিলদা থুংখ্রে





রিও দে জনৈরো, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী) :
ব্রাজিলদা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন শানবা লৈবাক অসিনা চাইনাদগী লৌবা হীদাক্কী মরু ওইবা মচল ময়ামগী অহানবা সিপমেন্ট ওইনা পুন্না লিটর ৮৮ থাংজ নুমিত্তা লৈবাক অসিদা থুংখ্রে।

চাইনাদগী থুংলবা পোৎলমশিং অদুনা ব্রাজিলগী প্রোব্লেম কয়া মায়োক্নরক্লিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম থুজিনহল্লগনি হায়না থাজনরি। রিও দে জনৈরো সিটিদা কার্গো প্লেন অমদা পুরক্লিবা পোৎলমশিং অদু শীজিন্নদুনা ব্রাজিলগী ফিওক্রুজ বাইওমেদিকেল সেন্তরনা ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ২.৮ শাবগী থবক হৌবা য়ারগনি। ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা ফন্দিং তৌবা সেন্তর অসিনা পুন্না ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী ভেক্সিন অদুগী দোজ মিল্লিয়ন ১৫ শানবগীদমক্তা থা অসিদা অহেনবা মচল কয়াসু ফঙলগনি।

চাইনা অহানবা সিপমেন্ট থারকপদা থিন্থবদগী ফিওক্রুজ প্রদক্সন লাইননা দিসেম্বরদগী পোত্থোক পুথোকপা হৌনবা লেপ্লম্বদু থবক তৌবা ঙমদনা লাকখি। অষ্ট্রাজেনেকা পি এল সীগী ভেক্সিননা ব্রাজিলগী নেস্নেল ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী মরু ওইবা পিল্লর ওইরিবনি।

ফিওক্রুজনা ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন ১০০ ফাওবা শাবদা শীজিন্ননবগীদমক্তগা ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা মচলশিং অদু ওর্দর তৌখিবনি। লৈবাক অসিগী মীওই মিল্লিয়ন ২১৩ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক ব্রাজিলনা অহানবদা সাইনোভেক বাইওটেক লিমিটেদনা পুথোকপা চাইনাগী ভেক্সিন অমসুং মমাং থাদা ইন্দিয়াদগী ইমপোর্ট তৌখিবা অষ্ট্রাজেনোকাগী ভেক্সিন দোজ মিল্লিয়ন অনী শীজিন্নদুনা হৌখি।

ফাইজর ইঙ্কনা বাইওএনটেককা লোয়ননা পুথোকমিন্নবা কম্পনি অসিগী ভেক্সিন ব্রাজিলদা শীজিন্ননবগী মপুং ফাবা রেগ্যুলেটরি এপ্রুভেল লৌনবগীদমক ইরাই নুমিত্তা এপ্লাই তৌখি হায়না কম্পনি অসিনা ফোঙদোকখি।

মসি ব্রজিলদা রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা সবমিসন তৌখিবা অনীশুবা ভেক্সিননি। অষ্ট্রাজেনেকানা মপুং ফাবা রেগ্যুলেটরি এপ্রুভেল লৌনবগীদমক্তা জন্যুৱারী ২৯ দা এপ্লাই তৌখি।

# মেক্সিকোদা হাৎখিবা অয়াম্বা গুৱাটেমালানশিং ওইরম্লে

মেক্সিকো, ফেব্রুৱারী ০৭ (এজেন্সী) :
মমাং থাদা মেক্সিকোগী অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেট টামাউলিপাসতা পাক্তক্না হাৎখিবা মীওই ১৯ গী মনুংদা গ্বাটেমালা মচাশিং ওইবা ভিক্টিম মাপলগী মথক্তা মশক খঙবা ঙম্লে হায়না থাংজ নুমিত্তা মেক্সিকান ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

টামাউলিপাস ষ্টেটকী প্রোসিক্যুটরগী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, মেক্সিকান নেস্নেল অনী অমসুং গ্বাটেমালান ১৪ য়াওনা ভিক্টিমশিং অদুগী মনুংদা মীওই ১৬ মশক খঙদোকপা ঙম্লে। মরী মতাশিংনা পীবা সেম্পলশিংদগী ফংবা দি এন এ শীজিন্নদুনা ওথোরিটিশিংনা অশিবা হকচাংশিং মশক খঙদোক্নবা হোৎনরকখি। ফীভম কায়না মৈনা চাকখ্রবা অমসুং নোংমৈনা পানবগী মফমশিং য়াওবা হকচাংশিং অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা তাইনরিবা অৱাং নোংপোক মেক্সিকোগী মনুং হঞ্জিনবা টামাউলিপাসকী লোনা য়াদবা মওংদা মাইগ্রেন্ট পুবদা শীজিন্নবা লম্বী অমগী মনাক্তা থেংনখিবনি। মাইগ্রেন্টশিং হাৎপগী থৌদোক অদুনা মেক্সিকোদা মখোয়না মায়োক্নরিবা খুদোংথিবশিং নীংশিংহনখি।


## THE HIGH COURT OF MANIPUR
### AT IMPHAL

**[illegible] / ADVERTISEMENT**

Imphal, the 5th February, 2021

No. HCM/A-24/80-Estt.(III)A/ : Applications are invited online for filling up of the following post in the Scale of pay as given against the posts

| Sl.No. | Name of Post | Scale of Pay | No. of Posts (Which may increase) | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | UR | ST | SC | OBC (M) | OBC (MP) | TOTAL |
| 1 | Court Attendant/ Farash/ Orderly/ Chowkidar/ Lawn Attendant | Rs. 4440- 7400 + Grade Pay of Rs. 1300/-PM plus other allowances as admissible under the Rules | 8 | 5 | 0 | 1 | 1 | 15 |

Details along with the mode of application are available in the High Court website- ***http://hcmimphal.nic.in.***

Important Dates :

- **Opening of Online Registration and Submission of Application Forms : 16-02-2021 (11:00 A.M.)**
- **Closing of Online Registration and Submission of Application Forms : 02-03-2021 (04:00 P.M.)**
- **Download of Admit Cards : will be notified later in the official website *www.hcmimphal.nic.in***

**Sd/- PH. JAPAN SINGH**
JT. REGISTRAR (ADMN./PM&P)
HIGH COURT OF MANIPUR

HL-B/6771/7,8